# নন-ভরবেল থিএটর (মাইম)বু লমদম অসিগী মীয়াম্না পাম্নবা কালাগী মথেল অমা ওইহনলিবা - ডাঃ ৰাই সদানান্দ



মতম মতমগী কান্নরবা ইনফোর্মেসন কয়া পীদুনা মীয়ামবু মিৎ পাংহনবা ঙম্বা য়াম্না শক্তি লৈরবা কলাবু তরাই-তরাইনা লৌবা হায়বসি অচুম্বা খোঙথাঙ ওইরোই।

অচৌ-অচৌবা মালেম অসিদা লৈরিবা লৈবাক কয়াগী য়াওল ইহৌশিংগী পুৱারি নৈনবা মতমদা কলাবু য়োকখৎচরিবা কলাকারশিংগী থৌদাং চাওনা লৈ।

অসিগুম্বা তাঞ্জা অসিদা মাইমবু লমদম অসিগী মীয়াম্না পাম্নবা কালাগী মথেল অমা ওইহননবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং য়াদুনা লাক্লিবা ডাঃ য়ুম্নাম সদানান্দ (বোবি) মশাগী ইন্দিভিজুএল প্রোজেক্ট অমা ওইনা "নো বদজেট" হায়না মীংথোনবা মাইম প্লে অমা মীয়ামদা খুদোল তমন্নবা শেম শাদুনা লৈখ্রে।

মোইরাংখোম মখা য়ুম্নাম লৈকায়, ইম্ফাল ৱেষ্ট তা লৈবা কাংলৈ মাইম থিএটর রিপর্টারি না প্রজেন্ট তৌদুনা পুথোক্কদৌরিবা মাইম প্লে অসিগী অশাংবনা মিনট ৯০ ওইরি।

"নো বদজেট" হায়রিবা মাইম প্লে অসিগী কনসেপ্ট, দিজাইন অমদি দাইরেক্সন পীরিবা ডাঃ ৰাই সদানান্দ না ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না প্লে অসি চহি অনিগী মমাংদগী প্রিপেরেসন তৌরকপনি। লোয়ননা মান্নদবা লম কয়াদা মমিং লৈরবা ওঝা-গুরু কয়া তান্নদুনা খোমজনলবা তুংদা প্লে অসি পানখৎনবা শেম শাবা হৌরকখিবনি।

নোংমদা পুং ৩ নত্রগা ৪ গী চাংদা থা অমা চংনা নৈনরবা তুংদা প্লে অসি পুথোক্লবা শেম শাদুনা লৈরি।

"নো বদজেট" হায়রিবা মাইম প্লে অসি মরু ওইনা লাইহৌ কন্না হৌদুনা লৈবা মীওই অমগী মঙ অমদা য়ুমফম ওইরগা, লমদম অসিগী লৈঙাক নত্রগা কনাগুম্বা মীওই অমত্তদা অতম্লনা পান্দনা, লমদম অসিগী কালাকার শিংগী ওইবা খোলাও অমা লাওনবা হোৎনরিবা প্লে অসিগী মনুং ওইবা সিনোপসিস তি লাইহৌ হৌবা নুপা অমনা হায় প্রেসর ওইরকপা মতমদা মঙবা মঙলান অমদা য়ুমফম ওইদুনা লমদম অসিবু মালেমদা শক্তাকপদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা আর্ট এন্দ কলচর অমদি স্পোর্টস তা মান্নবা মীৎয়েং থম্বীদববু পেন্দবা উৎলি। ফেবর না মরম ওইদুনা মশাদু ইতাও তাওদুনা, মঙওই, হাওই তৌদুনা কোইপাই পায়দুনা চৎপা মঙলান মীশক অমনা অতিয়াদা পায়দুনা চৎপা মতমদা থেংনবা অচৌবা স্পোর্টসকী কম্পিটিসন অমদা শরুক য়াদুনা চাংয়েংনবা অদুদা মায় পাক্তুনা মেডল ফংখি।

গোল্ড মেডল পুদুনা লাকপা মাগীদমক লুপা লাক্ষ ২০ অদুগা সিলভর ফংবা মীশক্তুদা লাক্ষ ১৫ লোয়ননা ব্রোঞ্জ মেডল ফংবা মীশক্তুদা লুপা লাক্ষ ১০ পীদুনা ইকায় খুম্নখি।

মদুগী মতুং শুম মখা তানা পায়দুনা লাকপনা মফম অমদা কলচরেল ইভেন্টকী অচৌবা

ঐচ ৰাজেস

কম্পিটিসন তৌরম্বা থেংনদুনা মফমদুদা অমুক য়াওখি। মদুদসু মহাক্না গোল্ড মেডল ফংবা ঙমখি। অদুবু কেস এৱার্ড তি "নো বদজেট" হায়দুনা পীরকখিদে। প্লে অসিগী কনসেপ্ট, দিজাইন অমদি দাইরেক্সন পীদুনা থৱায় হাপ্লিবা ডাঃ ৰাই সদানান্দ গী থিএটর গী




খোঙচৎ য়াম্না ঙনলিঙৈ মতমদগী য়ুম্নাম লৈকায়দা লৈবা পাম্নোইবী নাত্য মান্দির দগী হৌখি। ইং ১৯৭৮ তগী নন ভরবেল (মাইম) থিএটর দা ৱার্ক তৌবা হৌরকখি। মিনিষ্ট্রি ওফ কলচর গী মাইমদা স্কোলরসিপ, জুনিয়র ফেল্লোসিপ, সেনিয়র ফেল্লোসিপ ফঙখি। মাইমদা মণিপুর ষ্টেট কালা একাদেমী এৱার্দি নি।

আই সি সি আর অমদি




মিনিষ্ট্রি ওফ কলচর দা ইম্পানেল ওইনা শরুক য়ারি। পদ্মশ্রী, নিরঞ্জন গোস্বামিদগী মরুওইবা মাইম গী ত্রেনিং ফংলকখি। ৮শুবা থিএটর ওলিম্পিক ২০১৮ গা লোয়ননা চাওরাক্লা নেসনেল মাইম অমদি থিএটর ফেষ্টিভেলদা শরুক য়াখিবগা লোয়ননা ভারত রঙ্গা মানোত্রা (২০১১,২০১৭) মেতা ফেষ্ট (২০১০) দা ৭ (সভেন) লক নোমিনেসন ফংবগা লোয়ননা কোজিকোদে নেসনেল থিএটর ফেষ্টিভেল দা বেষ্ট স্ক্রিপ্ট অমদি সাউন্দ দিজাইন ফংখ্রে।

হৌজিক হৌজিক কং লৈ মাইম থিএটর রিপর্টারি থিএটর অমা ৱার্ক তৌরিবা ডাঃ ৰাই সদানান্দ না হৌজিক ফাওবদা সাউথ কোরিয়া, গ্রিস, মাসেদোনিয়া অমদি অরমেনিয়াদা ইন্দিয়াগী রিপ্রজেন্ট তৌদুনা ইন্টরনেসনেল মাইম থিএটর ফেষ্টিভেল শরুক য়ারুরে।

লোইশিনলকপদা, চৎলিবা থা অসিগী তারিখ ৫ দা পেলেস কম্পাউন্দ দা লৈবা মহারাজ চন্দ্রক্রিটি ওদিতোরিয়মদা শুকশোই শোইদনা মীয়ামদা খুদোল তম্নবগী পান্দম থল্লিবা মাইম প্লে অসিবু মপুং ফানবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং য়ারিবশিংদিঃ- দ্রমর অমদি মুজিসিয়ান ওইনা টি রঘুমনি, মুজিসিয়ান -ৰাই পোইরৈতোন, লাইহৌ হৌবা ওইনা এম ইনাওতোন, স্পোর্টসমেন ওইনা এস জিবসন, শক্তমলাংবী অমা ওইনা ৰাই জিতেশ্বরি, নর্স অমগী শক্তম দোননা এন জি, শান্নরোই অমগী শক্তমদা এস মালেমঙাম্বা, দোক্তর অমা - এ দেভব্রতা, শান্নরোই অমা ওইনা মিষ্টর বিলু, শান্নরোই অমা টি ঐছ রিসিকান্ত, শান্নরোই অমা অতাজ কোন্সম, রিফতা - ৰাই লিদর, লাইট এসিষ্টেন্টদা পি ঐচ কমলকান্ত, লাইট দিজাইনরদা মদন, এনাউসরদা এন বিকেন, সাউন্দ দিজাইনরদা পি ঐচ সাসিকান্ত, কো ওদিনেটরদা গ্যানেশ্বরিনচিংবনা ওইরিবা নন-ভরবেল থিএটর, মাইম "নো বদজেট" হায়রিবা প্লে অসিনা শোইদনা অয়েংবা ভাবকশিংগী পুক্লিং চিংশিন্নবা হোৎনগদৌরিবা অসিনা মাই পাকপগা লোয়ননা অওনবা অমা পুরকপা ওইরসনু হায়না সনালৈবাক কী মাইকৈদগী ফোঙদোকচরি।

## ষ্টেটকী থাক্ত শান্নবগী পাউদম

## ৫শুবা থোংজু কেন্দ্র গেমস ২০১৮

### ফুটবোলদা বিপিৰাইসি, আরএসসি, এএসএ, এসদব্লিউসি মায় পাকখ্রে , এথলেট্টিক্তা কে রমেসচন্দ্রনা নুপাগী মিটর ১০০গী লমজেলদা ফার্ষ্ট তাখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০২ঃ

থোংজু কেন্দ্র য়ুনাইটেদ ক্লবস এসোসিয়েসননা শিন্দুনা অকাম্পাৎ প্লে গ্রাউন্দদা হৌদোকখিবা ৫শুবা থোংজু কেন্দ্রা গেম ২০১৮গী শরুক অমা ওইনা কেন্দ্র অসিগী ফুটবোল টিম ১৪না গ্রুপ ৪ থোক্লা খায়দোক্তুনা অথোই অহেন তান্নদুনা এস দব্লিউ সি গ্রাউন্দ খোংমনগী প্লে গ্রাউন্দনা চথরিবা ৫শুবা থোংজু কপ ২০১৮ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ঙসি শান্নখিবা মেটচ ৪দা বি পি ৰাই সি বাসিখোং পান্থোইবী, আর এস সি থোংজু ৰাইখোম খোংনাং, এ এস এ শিংজমৈ কোংবা রোদ অমদি এস দব্লিউ সি খোংমন মায় পাকখ্রে।

চথরক্লিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ৫শুবা গ্রুপ সি গী লীগ মেটচ অমা ওইনা ঙসি অয়ুক শান্নখিবা মেটচ অমদা বি পি ৰাই সি বাসিখোং পান্থোইবী অমদি ৰাই দব্লিউ সি সাইরোম লৈরক টিম অনিনা লম্বা তৌনবদা বি পি ৰাই সি বাসিখোং পান্থোইবীনা গোল ৩-১দা মায়থিবা পিখ্রে।

মেটচ অসিদা বি পি ৰাই সি বাসিখোং পান্থোইবীগী গোল ৩ অদু ৰাই লোয়াবানা মেটচকী মিনট ২৮ চৎপদা গোল ১ অমদি এল দিনেসনা মেটচকী মিনট ৫০ অমসুং ৫৩দা গোল ২ অমগা চন্দুনা মেটচ অসি মায় পাকখি।

মেটচ অসিদা মায়থিহৌরবা দব্লিউ ৰাই সি সাইরোম লৈরক্কী অমত্তা ঙায়রবা গোল অদু জি মুক্তাসনানা মেটচকী মিনট ১৪ চৎপদা চনখি।

মেটচ অসিদা বি পি ৰাই সিগী এন রিগানবু মেটচকী মিনট ৩২ চৎপদা রেফরিনা য়েলো কার্ড বুক তৌখি।

অয়ুক শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ৬শুবা গ্রুপ দিগী লীগ মেটচ অমদা এস ই ৰাই ও ক্ষেত্রি লৈকায় অমদি আর এস সি থোংজু ৰাইখোম খোংনাং টিম অনিনা লম্বা তৌনবদা আর এস সি ৰাইখোম খোংনাংনা গোল ৪-২দা মায়থিবা পিখ্রে।

মেটচ অসিদা মায় পাক্লবা আর এস সি ৰাইখোম খোংনাংগী গোল ৪ অদু এন মিচোলনা মেটচকী মিনট ১১দা গোল ১, এল রোসনা মেটচকী মিনট ৪৪দা গোল ১, কে রানাভাসোনা মেটচকী মিনট ৪৬ চৎপদা গোল ১ অমদি টিঐচ পাইখোম্বনা মেটচকী মিনট ৪৮ চৎপদা গোল ১গা চনখি।

মেটচ অসিদা মায়থিহৌরবা এস ই ৰাই ও ক্ষেত্রি লৈকায়গী গোল ২ অদুনা কেএসঐচ জিমিনা মেটচকী মিনট ১৫ চৎপদা গোল ১ অমদি কেএসঐচ সুমেসকান্তানা মেটচকী মিনট ৫৬ চৎপদা গোল ১গা চনখি।

মেটচ অসিদা এস ই ৰাই ওগী কেএসঐচ সুমেসকান্তবু মেটচকী মিনট ২৮ চৎপদা অমদি আর এস সিগী এল রোসনবু মেটচকী মিনট ৪১ চৎপদা রেফরিনা য়েলো কার্ড বুক তৌখি।

নুংথিলগী অহানবা টুর্নামেন্ট অসিগী ৭শুবা গ্রুপ এগী লীগ মেটচ অমদনা মৈরা বাসিখোং অমদি এ এস এ শিংজমৈ কোংবা রোদ টিম অনিনা লম্বা তৌনদুনা শান্নবদা এ এস এ শিংজমৈ কোংবা রোদনা য়াম্না লাকচনা গোল ৮-১দা মায়থিবা পিখ্রে।



মেটচ অসিদা মায় পাক্লবা এ এস এ শিংজমৈ কোংবা রোদকী গোল ৮ অদু এল বিজুনা মেটচকী মিনট ৯, ১৬, ১৮, ২৩ অমসুং ৩৩ চৎপদা গোল ৫, অরুনকুমারনা মেটচকী মিনট ২৪ অমসুং ৩৪ চৎপদা গোল ২ অমদি রোজেলকুমারনা মেটচকী মিনট ৩০ চৎপদা গোল ১ চনখি।

মেটচ অসিদা মায়থিহৌরবা মৈরা বাসিখোংগী অমত্তা ঙায়রবা গোল কে রোবার্টনা মেটচকী মিনট ২৫ চৎপদা চনখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৮শুবা গ্রুপ এগী লীগ মেটচ অমদনা ৰাই দি ও কোংবা মখা নান্দেবম লৈকায় অমদি এস দব্লিউ সি খোংমন টিম অনিনা লম্বা তৌনদুনা শান্নবদা এস দব্লিউ সি খোংমননা য়াম্না লাকচনা গোল ৮-২দা ৰাই দি ও কোংবা মখা নান্দেবম লৈকায়বু মায়থিবা পিবা ঙমখ্রে।

মেটচ অসিদা মায় পাক্লবা এস দব্লিউ সি খোংমনগী গোল ৮ অদু এ দিঙ্কুনা মেটচকী মিনট ১৬ অমসুং ২১ চৎপদা গোল ২, সিঐচ সুশিলকুমারনা মেটচকী মিনট ২৮ অমসুং ৪০ চৎপদা গোল ২, এস প্রদিপকুমারনা মেটচকী মিনট ৩৭ অমসুং ৫৬ চৎপদা গোল ২, কেএসঐচ নিতিনরাজনা মেটচকী মিনট ৫২ চৎপদা ১ অমদি এস থোইনাওনা মেটচকী মিনট ৫৩ চৎপদা গোল ১গা চনখি।

মেটচ অসিদা মায়থিবা নংখ্রবা ৰাই দি ও কোংবা নান্দেবম লৈকায়গী গোল ২ অদু এন য়াইফবনা মেটচকী মিনট ৩৩ অমসুং ৪৩ চৎপদা চনখি।

মেটচ অসিদা এস দব্লিউ সি খোংমনগী জেটলি অতোম্বু মেটচকী মিনট ১০ চৎপদা রেফরিনা য়েলো কার্ড বুক তৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা হয়েংগী অহানবা মেটচতা দি সি নামৈরাকপম লৈকায়গা এম এম সি মোংখাং লম্বীগা, অনিশুবা মেটচতা আর ই এস ও উচেকোন খুনৌগা দব্লিউ ৰাই এল সি কোংবা বজারগা, অহুমশুবা মেটচতা ৰাই দব্লিউ সি সাইরোম লৈরককা এন ৰাই টি ঐচ সি ওক্রক চুথেক্কা অমদি মরিশুবা মেটচ অমদনা আর এস সি থোংজু ৰাইখোম খোংনাংগা ও সি খোংমন মংজিলগা লম্বা তৌনদুনা শান্নরগনি।

নাকল অমরোমদা থোংজু কেন্দ্র য়ুনাইটেদ ক্লবস এসোসিয়েসননা শিন্দুনা মমাং থাগী ৩১দগী থা সিগী ১০ চথগদবা অকাম্পাৎ প্লে গ্রাউন্দদা হৌদোকখিবা ৫শুবা থোংজু কেন্দ্রা গেম ২০১৮গী শরুক অমা ওইনা এঠেলেটিক মশান্নসু ঙসিদগী অকাম্পাৎ প্লে গ্রাউন্দদা পাঙথোকপা হৌখ্রে।

মিটর ১০০গী নুপাগী লমজেলদা এন ৰাই টি ঐচ সিগী কে রমেসচন্দ্রনা ফার্ষ্ট, বি পি ৰাই সিগী এম সাদানন্দনা সেকেন্দ অমদি বি পি ৰাই সিগী এল ভারালনা থার্ড পোসিজন তাখ্রে।

মিটর ১০০গী নুপীগী লমজেলদা য়ুএসৰাইয়ুসিগী ও চনচন, বিপিৰাইসিগী টি ৱিল্লিয়ম অমদি ও অঞ্জলিনা মথংসিংনা ফার্ষ্ট, সেকেন্দ অমদি থার্ড পোজিসন তাখ্রে।

মিটর ৪০০ মেন্স ওপন রেসতা এনৰাইটিঐচসিগী কে রোমেসচন্দ্র, বিএলএমইসিগী এ সনাথোই অমদি বিএলএমইসিগী এন দিঙ্কুনা মথংসিংনা ফার্ষ্ট, সেকেন্দ অমদি থার্ড পোজিসন তাখ্রে।

মিটর ৪০০ ৱুমেন্স ওপন রেসতা এমএমসিগী ও অঞ্জলি, বিএলএমইসিগী এল ভেরোদা অমদি বিপিৰাইসিগী টি বন্দনানা মথংসিংনা ফার্ষ্ট, সেকেন্দ অমদি থার্ড পোজিসন তাখ্রে।

মিটর ১৫০০ মেন্স ওপন রেসতা বিএলএভইসিগী এ সনাথোই, বিএলএমইসিগী কে নিংথৌরেম্বা অমদি বিপিৰাইসিগী এল মালেমঙানবনা মথংসিংনা ফার্ষ্ট, সেকেন্দ অমদি থার্ড পোজিসন তাখ্রে।

মিটর ১৫০০ ৱুমেন্স ওপন রেসতা বিপিৰাইসিগী টি ৱিল্লিয়ম, এসইভিএগী ঐচ বলা অমদি বিপিৰাইসি এল চিংলেম্বীনা মথংসিংনা ফার্ষ্ট, সেকেন্দ অমদি থার্ড পোজিসন তাখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা ত্রেক এন্দ ফিল্ডগী মনুংচন্না জেভেলিন মেন্স ওপনদা বিএলএমই সিগী এন প্রেমচান্দনা ফার্ষ্ট, ৰাইদিওগী এম দোলরনা সেকেন্দ অমদি বিপিৰাইসিগী এম গুনচন্দ্রনা থার্ড পোজিসন তাখ্রে।

জেভেলিন ৱুমেন্স ওপনদা বিপিৰাইসিগী টিঐচ উমাবটিনা ফার্ষ্ট, বিএলএমইসিগী এম রোমিতানা সেকেন্দ অমদি বিএলএমইসিগী এন কলপনানা থার্ড পোজিসন তাখ্রে।

সোট পুৎ মেন্স ওপনদা বিএলএমইসিগী এন প্রেমচান্দনা ফার্ষ্ট, বিএলএমইসিগী জি চিত্তরঞ্জননা সেকেন্দ অমদি য়ুৰাইএসিগী এন চিংথংখোম্বা অমসুং এস দব্লিউ সিগী এল জেক্কি অনিনা থার্ড পোজিসন তাখ্রে।

সোট পুৎ ৱুমেন্স ওপনদা বিএলএমইসিগী এম রোমিতানা ফার্ষ্ট, বিএলএমইসিগী এন কলপনানা সেকেন্দ অমদি ৰাইজিসিগী এস ইনাকখুনবীনা থার্ড পোজিসন তাখ্রে।




## ১৩শুবা ইম্ফাল ইষ্ট থাং-তা চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮



ইম্ফাল, জুন ০২ঃ

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট থাং-তা এসোসিয়েসননা শিন্দুনা য়ুনিৎ ৮গী নুপা ৮০ অমদি নুপী ৪৯ পুন্না শান্নরোই ১২৯না শরুক য়াদুনা ১৩শুবা ইম্ফাল ইষ্ট থাং-তা চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮ ঙসিদগী খুরাই কোংপাল সাজোর লৈকায় কম্যুনিটি হোলদা হৌদোকখ্রে। ঙসি পাঙথোকখিবা কেজি ২১ সব-জুনিয়ার গার্লস কম্পিটিসনদা লুৱাং থাং-তা একাদেমী খুরাই সাজোর লৈকায়গী এল কলপনানা গোল্ড, য়ুনিৎ অসিমক্কী সিঐচ দিনিকানা সিলভর অমদি কংলৈপাক থাং-তা লাইরিকয়েবম লৈকাইগী লানঙম্বী হুইদ্রোমনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখ্রে। কেজি ৩৩ সব-জুনিয়ার বোইজগী কম্পিটিসন অমদনা লুৱাং থাং-তা একাদেমী খুরাই সাজোর লৈকায়গী লমঙানবা থৌনাওজমনা গোল্ড, য়ুনিৎ অসিমক্কী টিঐচ বুনিসনা সিলভর অমদি য়ুনিৎ অসিমক্কী কেঐচ রোসননা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখ্রে।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী হৌদোকপগী থৌরমদা খুরাই কেন্দ্রগী এক্স এম এল এ ডাঃ এন জি বিজয়, ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট থাং-তা এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট এন নোরেন লুৱাং, ৱার্ল্ড থাং-তা ফেদেরেসনগী প্রসিদেন্ট ঐচ প্রেমকুমার, খুরাই নান্দেবম লৈকায়গী জিল্লা পরিষদ এ ওকেন্দ্রা, খুরাই লাইশ্রম লৈকায়গী প্রধান এনজি জোহন অমদি খুরাই লাইশ্রম লৈকায়গী ৱার্দ মেম্বর এন মেমচা মথংসিংনা চিফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইনা শরুকয়াখি।

Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Acting Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*